# কুমজা ২০০৪ দা অহানবা ওইনা ষ্টেট লেভেলগী অন্দর - ১৯ গী চেম্পিয়নশিপ য়াওজরকপা মতমদা ঐহাক বেষ্ট প্লেয়র তাবা ঙমজরকখি



য়ুম্নাম কমলা
*(ইন্টর্নেসনল ফুটবোল্লর)*

মণিপুরগী মমিং লৈরবী নুপী ফুটবোল্লরশিংগী মনুংদা য়ুম্নাম কমলাসু অমনি। কুমজা ১৯৯২ গী মার্চ মরিদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা নোংপোক সেকমাই শিখোঙ বাজারদা লৈবা ইমুং অমদা কমলা তাইবংপান ফাওরকখি। অপোকপগী মিংনা য়ুম্নাম খম্বা, অদুগা অপোকপীগী মিংনা য়ুম্নাম ওংবী থামিনি কৌই। পীক্লিঙৈদগী শান্না-খোৎনবদা পুক্নিং লুপ্তুনা লাক্লবী কমলানা, মহাক্না শান্নরকপগী ৱারীগা লোয়ননা মশামক্কী পুন্সি ৱারীগী মতাংদা অসুম্না পাউদম্বীরকখি, ঐহাকসি ইমা ইপাগী অমত্তা পোকচবী মচানুপীনি' শান্নবসিসু য়াম্না পীক্লিঙৈ মতমদগী লৈকাইগী ইবুংশিংগী মরক্তা অদুমক শান্নজরক্লে। অহানবা শান্নরকপা মতমদদি, গেম অনী অহুমদা হায়বদি ক্রিকেট, সেপাক তাক্রো, ফুটবোল লোইনমক শান্নজরকখি। অদুবু ঐনা খ্বাইদগী পামজরকপা মশান্নদি ফুটবোলনা ওইরকখি। মরম অদুনা, মমৈদদি ফুটবোলসিনা হেন্না থৱায় য়াওনা শান্নরকখ্র। মশান্না অসিদা ইহান হানবা ওইনা ঐবু তাকপী তম্বীরকখিবা লৈকাইগী ইবুংশিংদি ওজা বীরেন অমসুং দাদা মঙলেম্বনি। ওজা বীরেন অমদি দাদা মঙলেম্বা মখোয় অনীসু ফুটবোল শান্নরোয় ঙাক্তনি। ওজা বীরেনদি রেফ্রিসু ওই। লোকেলগী থাক্তা শান্নজরিঙৈদদি ইবুংশিং অসিনা ফজনা গাইদ তৌবীরকখি। অসুম্না লৈকাইদা মতম খরা শান্নরবা মতুংদা, অমুক শিনবীরগা ঐবু খোংমন্দা লৈবা নহারোল য়াইফ থৌরাং ক্লব (এন ৱাস টি ঐচ সী)তা শান্নহনবীরকখি। কুমজা ২০০৪ সিদা অহানবা ওইনা ঐহাক ষ্টেট লেভেলগী টুর্নামেন্ট শান্নবসু হৌজরকখি। চহীসিদা ঐগী ফুটবোলগী টর্নিং পোইন্টু ওইরকখি। ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়সন্না শীন্দুনা পাঙথোকখিবা 'রোনিকা মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট (অন্দর - ১৯) ২০০৪ সিদা ঐহাক বেষ্ট প্লেয়রগী মীংথোল ফংবসু ঙমজখি। অহানবা ষ্টেট লেভেলগী শান্নবা থোকপদা, বেষ্ট প্লেয়র তারকখিবদগী ঐঙোন্দসু হেন্না কন্না শান্ননিংবগী ৱাখল অমসু অদুম লাকখ্রে। অদুদগীদি শান্নবসিসু মথং মথং চগ্থরক্তুনা চহীদুদগী নেসনলসু ফংবা ঙম্লকখ্রে।

**রত্নেশ্বরি গোশ্বামী**
**ফুটবোলদা মীৎয়েং অমা**





কুমজা ২০০৪ সিদা ঐগী টর্নিং পোইন্ট অমা লাকখি। হায়রিবা চহী ২০০৪ সিদা, ঐবু পোকপা ববাসিনা দাদা মঙলেম্বনে, ওজা বীরেননে মখোয়না ঐবু ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন্দা পুরক্তুনা অম্ফাগী ওজা ময়াম অমগা শকখংনহনবীখি। অদুদগী ওজাশিংনা খোংমন্দা শান্নজরকখিবদগী এন ৱাই টি ঐচ সী ক্লবকী ওজা ওক্রম ইন্দ্রমনিনা ঐহাকপু কুপ্না অদুম য়েংশিনবীরকখ্রে। ষ্টেট লেভেল য়ৌরকপদগীদি অম্ফাগী ওজা ময়াম অমসু থেংনজরকখ্রে। হান্না ফুটবোলগী মতাংদা য়াম্না হেন্না নোলেজ লৈরমদবদু ওজাশিংনা মথং মথং তাকপীরকপদগী তপ্না তপ্না ইমপ্রুভ লাকপসু হৌরকখ্র।

ইমুং-মনুংগী ওইনদি, অহানবা ইঙাও ঙাওনা নুপামচা মরক্তা য়াওদুনা শান্নরকপদু ইমাগা ববাগনদি থোইনা য়ানিংখিদে। মরমদি, ইতোমতসু পোকপনিনা ইমা-ববানদি ঐবু লিরি খোইরিবী অতপ্পী নুপীমচা অমা ওইনা লৈহন্নিংখি। ইমান্নবীশিংগা লাইরিক লাইশু তম্বা চাং নাইনা কাদুনা তপ্নদা ইংনা লৈবী নুপীমচা অমা ওইহন্নিংখি। অদুবু, মখোয়না হায়রিবদু ঐনদি য়ানিংখিদে। অদুমকপু, ঐনা অহানবা ২০০৪ দা ষ্টেট লেভেল শান্নবদা বেষ্ট প্লেয়রগা তারকপা মেচশিংদুদি থৱায় য়াওনা লোইনমক য়েংখি। মতমদুদদি ফজনা শান্নরো, মী ওইনবা হোৎনরো হায়দুনা ফজনা পুক্নিং থৌগৎপীখি। ঙসিদি ইমাসু ববাসু ঐবু থাদোক্তুনা লোইনা চৎখ্রে। ববানা লৈখিদবসিনা কুমজা ২০০৫ দনি। অদুগা ইমানা লৈখিদবসিনা কুমজা ২০১৭ তনি। ইমাদি কুইদ্রি লৈখিদবা। ইমা লৈখিদ্রবা মতুংদগীদি ঐহাক য়াইরিপোক পোইরৌ খোংজিং দা লৈবা ইদোমচা সুমতি (ইমাগী হেক মনাওনুপী)গী মনাক্তা লৈরকখি। মীওইবগী পুন্সি হায়বসি তম্বা অমত্তা ঙমদে। ঐগী ইদোমচাসি লৈরমদ্রবা, ঐনা ফুটবোল শান্নরোয় ওইরমদ্রবা, পুন্সিসি করি ওইরমগদগে খঙদে। ফুটবোলসি ঐগী পুন্সিনি। ইমান্নবী ময়ামগা অয়াম্বা মতম শান্নবদা অদুম লুপশিনখিবা অদুনা, অৱা-অনাগী ৱাখলশিংসু লায়না কাউথোকপা ঙমখি। ববানা লৈখিদবসি কিদনী ফেল ওইবদগী লৈখিদবনি। ইমানা বি পি ষ্ট্রোক তৌবদগীনি। খল্লুবদা, নীংশিংলুবদা নুংঙাইফম খংবা অমত্তা নত্তে। অদুবু, ঙসিদি অদুগুম্বা নুংঙাইতবা থৌদোকশিংদু থেংনবা লোইনা ঙমখ্রে। হৌজিক্তি লুনসু খঞ্জিল্লুদ্রে। ফিল্ডদা অয়াম্বা অদুম লৈখিবনা মরম ওইরগা মদোমদসু ঐহাক ৱাখল থাদরুদ্রে। ঐনা হেক হেক নীংশিংবা হায়ববু, অহিংগী মতম সিখক্তদদি খরা খরা অদুম নীংশিংই। কুমজা ২০০৪ দগী হৌরগা কুমজা ২০১১ ফাওবদি ঐহাক মণিপুরদা শান্নরম্মী। মসিগী মতুংদগীদি ঐহাক রেলৱেজদা জে াইন তৌবগা লোয়ননা রেলৱেজ দগী শান্নজরকখ্রে। মণিপুরদগী ষ্টেট রিপ্রজেন্ট তৌদুনা নেসনল শান্নজরিঙৈ কুমজা ২০০৬ তা তৌখিবা অন্দর - ১৭ গী স্কুল চেম্পিয়নশিপ্তা পুন্না গোল ১৬ চনবা ঙমদুনা ঐহাক তোপ স্কোররগী মীংথোলসু ফংবা ঙমজরকখি। শান্নবা হৌজরকপা মতমদা ঐহাক্কী অহানবা পোজি সনসি লেফ মিদ ফিল্ডর ওইনা শান্নজরকখি। অদুবু কুমজা ২০১০ দগীদি ঐহাক ষ্টইক্করদা চেঞ্জ অমুক তৌরকখি।

মথং মথং ...

# ইন্দিয়ন ৱুমেন্স লিগতা মণিপুরগী ক্রিপসানা বেঙ্গালুরুগী কিকষ্টার্ট এফ সিগা লম্বা তৌনরগনি



বেঙ্গালুরু, জন্যুৱারী ২৩(এজেন্সী): ইন্দিয়াগী নুপীগী অমত্তা ঙাইরবা ফুটবোল লিদ টুর্নামেন্ট ওইরিবা হিরো ইন্দিয়ন ৱুমেন্স লিগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০গী হয়েংদগী হৌগদৌরিবা ৪রকশুবা ইদিসন অসিগী ওইনা বেঙ্গালুরুদা লৈবা বেঙ্গলোর ফুটবোল ষ্টদিয়মদা হৌগদৌরিবা অসিদা মণিপুরগী ক্লব ক্রিপসানা য়ুম্বু ষ্টেট কর্নাটাকাগী ক্লব কিকষ্টার্ট এফ সিগা লম্বা তৌনরগনি।

হয়েংদগী হৌরগা ফেব্রুৱারী ১৪ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা লিগ অসিদা পুন্না টিম ১২না গ্রুপ অনীথোক্না শান্নদুনা মকোক ওইননবা লম্বা তৌনগদৌরি। নীংশিংবা য়াই, মমাংদী ইদিসন্দা মণিপুরগী ক্রিপসা ফুটবোল ক্লবপু টামিল নাদুগী ক্লব সেথু এফ সিনা পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌবা ঙমখিবনি।

৪শুবা ইদিসন অসিগী ওইনা গ্রুপ 'এ'দা ক্রিপসা, কিকষ্টার্ট এফ সি, সেথু, বরোদা ফুটবোল একাদমি, পঞ্জাবকী বি বি কে অমসুং মহারাষ্ট্রগী এফ সি কোলাপুরনি।

গ্রুপ 'বি'দা বেঙ্গালুরু য়ুনাইটেদ এফ সি, গোকুলম কেরলা, কেনক্রে এফ সি, ওরিষা পুলিস এফ সি, স্রিভুমি এফ সি অমসুং বিদেস এলবেন এফ সিনি। লিগ টুর্নামেন্ট অসিদা গ্রুপ অমদগী মকোক থোংবা টিম অনীনা সেমীফাইনেলগীদমক ক্বালিফাই ওইদদৌরিবনি।

কুমজা ২০১৬-১৭তগী হৌখিবা হিরো ইন্দিয়ন ৱুমেন্স ফুটবোল লিগ অসিগী অহানবা চেম্পিয়ন অদু মণিপুরগী ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন ফুটবোব ক্লবনি। মদুগী মতুং কুমজা ২০১৭-১৮দা ওরিষাগী রাইজিং ষ্টুদেন্টস ক্লবনা টাইটল লৌবা ঙমখি। অদুগা কুমজা ২০১৮-১৯দা মণিপুর পুলিস স্পোর্টিং ক্লবনা রন্নর্স অপ তারগা টামিল নাদুগী সেথু এফ সিনা চেম্পিয়ন ওইখিবনি।

# নম্বর ১ স্পেনগী রাফেল নদাল অমদি ৪শুবা সিদেদ রসিয়াগী দানিল মেদবেদেব মায় পাক্তুনা ৩শুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে



মোলবোর্ন, জন্যুৱারী ২৩ (এজেন্সী): নুপাগী সিঙ্গলসকী মালেমগী নম্বর ১ শান্নরোয় ওইরিবা স্পেনগী রাফেল নদালনা চহীসিগী অহানবা গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট ওইরিবা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন টেন্নস টুর্নামেন্ট ২০২০গী হুম্নি শুবা নুমিৎতা শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেচ মায় পাকখ্রে। মহাক্না লোয়ননা টুর্নামেন্ট অসিগী ৪ শুবা সিদেদ রসিয়াগী দানিল মেদবেদেবসু মহাক্কী লম্বা মায়থীবা পীদুনা শান্নরোয় অনীমক অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে।

রাফেল নদালনা মহাক্কী অনীশুবা রাউন্দ মেচতা অর্জেন্টিনাগী শান্নরোয় ফেদেরিকো দেলবোনিসকা লম্বা তৌনবদা অনীশুবা সেটতা খরা ৱারবসু ৬-৩, ৭-৬ (৭-৪), ৬-১দা থোইদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি

নুপাগী সিঙ্গলসকী অতোপ্পা অনীশুবা রাউন্দ মেচতা অমদা মরিশুবা সিদেদ শান্নরোয় ওইরিবা রসিয়াগী দানিল মেদবেদেবনা স্পেনগী পেদ্রো মার্তিনেসজকা লম্বা তৌনবদা ষ্ট্রেট সেট ৩দা ৭-৫, ৬-১, ৬-৩দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু লৈবাক ওষ্ট্রেলিয়াগী এলেক্স বোলটনা ৫শুবা সিদেদ শান্নরোয় ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিএমগা লম্বা তৌনবদা সেট ৫ (২-৬, ৭-৫, ৭-৬(৭-৫), ১-৬, ২-৬ )তা মায়থীবা নংখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দগী মেচ অমদা ২শুবা সিদেদ ওইরিবী জেক রিপব্লিক্কী কেরোলিনা প্লিজকোভানা জর্মনিগী লোরা সিজেমুনবু ৬-৩, ৬-৩দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমবখি। মমাঙদা নুপীগী মালেমগী নম্বর ১ টেন্নস শান্নরোয়গী থাক্তা লৈরম্বী রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপ্না টুর্নামেন্ট অসিদা ৪ শুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়াদুনা ঙসি অনীশুবা রাাউন্দদা গ্রেট বৃটেনগী হরিয়ত দার্টপু ৬-২, ৬-৪দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌখি। নুপীগী সিঙ্গলসকী মায়কৈদা য়ুক্রেনগী এলিনা স্বিটোলিনানা য়ু এসকী লোরেন দেবিসপু ৬-২, ৭-৬ (৮-৬)তা মায়থীবা পীখি।

নুপীগী ৬শুবা সিদেদ স্বির্জলেন দগী বেলিন্দা বেনসিকা লাটভিয়াগী এলেনা ওষ্টা পারেনকোবু ৭-৫, ৭-৫দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌযখি।

# চেন্নাইন এফ সিনা জমসেদপুর এফ সিবু য়াম্না হেনবা মওংদা পাঞ্জল ৪-১দা থোইদুনা ৬শুবদা হাইগৎখ্রে

Match on 24 Jan. (Fri) 2020
MUMBAI Vs HYDERABAD



চেন্নাই, জন্যুৱারী ২৩ (এজেন্সী): হিরো ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ৬৫রকশুবা লিগ মেচতা য়ুম্বু ক্লব চেন্নাইন এফ সিনা জমসেদপুর এফ সিবু য়াম্না হেনবা মওংদা পাঞ্জল ৪-১দা মায়থীবা পীদুনা লিগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা ৬শুবা পোজিসন্দা লৈবা ঙমখ্রে।

ঙসিগী মেচ অসিগী মাঙওইননা চেন্নাইন এফ সি মেচ ১২ শান্নবদা মেচ ৪ মায়পাকখিবা, মেচ ৩ দ্রো চৎখিবা অমসুং মেচ ৫ মায়থীবা নংদুনা পোইন্ট ১৫ ফংলগা ৭শুবা পোজিসন্দা লৈখিবনি।

অমরোমদা জমসেদপুর এফ সিগী টিম অসিনা রাউন্দ ১২ শান্নবা লোইশিনখিবদা মেচ ৪ মায়পাকখিবা, মেচ ৪ মায়থীবা নংখিবা অমসুং মেচ ৪ দ্রো চৎতুনা পোইন্ট ১৬ ফংলগা ৬শুবা পোজিসন্দা লৈরম্বনি।

ঙসিগী মেচ অসিদা টিম অনীম্মক মায়পাক্লবা য়াম্না কন্না হোৎনখি। টিম অনীম্মক মায়পাক্লবদি পোইন্ট ৩ ফংদুনা পোজিসন হোংদোক্ল বগী তাঞ্জা লৈবনিনা য়াম্না কন্না শান্নরকখি।

মেচকী ১৩শুবা মিনটতা চেন্নাইনগী মায়কৈদগী এ স্কেমব্রিনা পীখিবা পাস অমদা এন ভালস্কিনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। জমসেদপুরগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোক্লবা হোৎনখিবা এটেকশিং অদু চেন্নাইনগী দিফেন্দরশিংনা য়াম্না নীংথিনা ঙাকশেন্দুনা লৈখিবদগী কান্নবা ফংখিদে।

মেচকী অহানবা হাফ লোয়গদবা মিনট ৩দা ঙাইরবা মতমদা চেন্নাইন এফসিগী ক্রিভেলারোনা পীরকপা পাস অমদা স্কেমব্রিনা অনীশুবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি।

অনীশুবা হাফকী ৭১শুবা মিনটতা জমসেদপুরগী মায়কৈদগী সর্জিও কাষ্টেলনা পাঞ্জল অমা হন্দোক্লবসু মেচকী ৭৪শুবা অমসুং ৮৭শুবদা চেন্নাইনগী মায়কৈদগী এন ভালকিজ অমসুং এল শাঙটেনা পাঞ্জল অমমম চন্দুনা টিম অদুনা ৪-১দা জমসেদপুরবু থোইখি।

| Pos | Team | Pl | W | D | L | GF | GA | GD | Pt |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Bengaluru | 14 | 7 | 4 | 3 | 18 | 9 | +9 | 25 |
| 2 | ATK | 13 | 7 | 3 | 3 | 23 | 10 | +13 | 24 |
| 3 | Goa | 13 | 7 | 3 | 3 | 25 | 16 | +9 | 24 |
| 4 | Odisha | 14 | 6 | 3 | 5 | 19 | 19 | 0 | 21 |
| 5 | Mumbai City | 13 | 5 | 4 | 4 | 19 | 21 | −2 | 19 |
| 6 | Chennaiyin | 13 | 5 | 3 | 5 | 20 | 20 | 0 | 18 |
| 7 | Jamshedpur | 13 | 4 | 4 | 5 | 17 | 20 | −3 | 16 |
| 8 | Kerala Blasters | 13 | 3 | 5 | 5 | 18 | 18 | 0 | 14 |
| 9 | NorthEast United | 11 | 2 | 5 | 4 | 9 | 16 | −7 | 11 |
| 10 | Hyderabad | 13 | 1 | 2 | 10 | 13 | 31 | −18 | 5 |

# হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১১১

১) THE KHOMEINI OF ICE HOCKEY হায়রগা কনাবু খঙনৈ?

২) ওলিম্পিক অমদা য়োচিং (য়োটচিং)গী লমজেলদা মেদল অমত্তা ফংহৌদবদগী হিরোইশিং অদুনা য়োটচ অদু মৈ থাদোকখি। য়োটচ অদুগী মমিং পীয়ু।

৩) দি এম কোলেজ মণিপুরগী খ্বাইদগী লিরবা কোলেজনি। কোলেজ অসি চহী খুদিংগী মশামক 'মিষ্টর দি এম কোলেজ খল্লি। মখাগীশিং অসিগী মনুংদা D.M. কোলেজ ওইখিবা অমগী মমিং পীয়ু।

মংলেম সিংহ, মায়পাক সিংহ, ব্রোজেন সিংহ, চাতুকিনি সিংহ

৪) নুপামচা, গম্বীর চান্দ, লাক্সানা, সানাবা, ইবেনুংশি, ইন্দুবালা পীরিবা মমিংশিং অসি শান্নবগী থৌরম অমদা মমিং চৎলি, অতোপ্পা অমদি মমিং চৎলবসু শান্নবগী থৌরমদি মান্নদে। মহাক্কী মমিং হায়ু।

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? ⟶



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জন্যুৱারি ৩০, শাগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# ওলিম্পিক গেমস ক্বালিফাই ওইননবগীদমক ইন্দিয়াগী নুপা অমসুং নুপীগী টিম মেচ অমা মায়পাক্কদবতা ঙাইরে



গোন্দোমর, জন্যুৱারী ২৩ (এজেন্সী): চহী অসিগী জুলাই থাদগী হৌদুনা জপাননা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক টেবল টেন্নিস দিসিপ্লিনদা ক্বালিফাই ওইননবগীদমক ইন্দিয়াগী নুপা অমসুং নুপীগী টিম্না মেচ অমখক মায়পাক্কদবতা ঙাইরে।

ইন্দিয়াগী নুপা অমসুং নুপীগী টিম অসিনা পোর্টুগালগী সিটি গোণ্ডোমারদা পাঙথোক্লিবা ওলিম্পিক ক্বালিফিকেসন টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ মেচশিংদা লুশেমবর্গ অমসুং স্বিদেনগী টিম্বু মায়থীবা পীদুনা প্রি-ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

ইন্দিয়াগী টিম অসিনা করিগুম্বা প্রি-ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা স্লোভেনিয়াগী টিম অমসুং রোমানিয়াগী টিম্বু মায়থীবা পীবা ঙম্লবদি লৈবাক অসিগী পুৱারিদা অহানবা ওইনা টেবল টেন্নিস টিম্না ওলিম্পিক্কীদমক ক্বালিফাই ওইগদৌরিবনি।

ঙসি শান্নখিবা মেচ অমদা ইন্দিয়াগী নুপাগী টিম্না লুজেমবর্গকী টিমগা লম্বা তৌনরকপদা মায়পাকপা ঙমখি। মেচ অদুদা ইন্দিয়াগী নুপাগী টিমগী মায়কৈদগী দবলসকী কাংলুপ্তা সরথ কমাল অমসুং হর্মিট দেসাইনা অহানবা মেচ অদু গেম ৩-০দা থোইথি। মদুগী মতুং অহানবা সিঙ্গলসকী মেচতা ইন্দিয়াগী সাথিয়াননা মহাক্কী লম্বা অদুবু গেম ৩-১দা থোইরবা মতুং সরথ কমালনা অনীশুবা সিঙ্গলস মেচ অদু গেম ৩-১দা থোইরগা প্রি-ক্বার্টর ফাইনেলদা স্লোভেনিয়াগী শান্নগদৌরিবনি।

ইন্দিয়াগী নুপীগী নুপীগী টিম্না ঙসি শান্নখিবা মেচতা স্বিদেনগা লম্বা তৌনখি। মদুদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী মেট ৩-২দা থোইদুনা প্রি-ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। ১৭শুবা সিদেদ ওইখিবা ইন্দিয়ানা ১১শুবা সিদেদ স্বিদেনবু মায়থীবা পীখি। হয়েং মখোয়না রোমানিয়াগী শান্নগদবা প্রি-ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অদু মায়পাক্লবদি টোকিও ওলিম্পিক্কীদমক ক্বালিফাই ওইগদৌরিবনি।

# ৱর্ল্ড আর্চরিনা আর্চরি এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়াদা থম্লমখিবা অথিংবশিং অদু মখা তানা চৎনররোই হায়খ্রে



ন্যু দিল্লি, জন্যুৱারী ২৩ (এজেন্সী): চহীসিগী নবেম্বর থাদা জপাননা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা টোকিও ওলিম্পিক্স গেমসতা ইন্দিয়াগী আর্চরশিংনা ক্বালিফাই ওইনবগী চগ্থরকপা খোঙথাংশিংদা লৈবাক অসিগী আর্চরি এসোসিএসননা মমাঙদা লুপ অনী থোকপগী চয়েৎনবা লৈখিবা অদু হন্দক্তা নৌনা লুপ অনী পুনশিল্লগা অনৌবা ইন্দিয়াগী আর্চরি এসোসিএসন অমা শেম্বগী থবক থৌরাং লোইশিনখ্রবা মতুং ৱর্ল্ড আর্চরিনা অথিংবা থম্লম্বা অদু লৌথোকখ্রে।

ৱর্ল্ড আর্চরিনা আর্চরি এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়াগী মথক্তা অথিংবা থম্লম্বা অদু লৌথোকখ্রবা মতুং ঙসিদগী হৌরগা পাঙথোক্কদৌরিবা তোঙান-তোঙানবা ৱর্ল্ড আর্চরি ইভেন্টশিংদা ইন্দিয়াগী আর্চরশিংনা শরুক য়াবা য়ারগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

ৱর্ল্ড আর্চরিগী সেক্রেটরী জেনরেল তোম দৈলেননা ফোঙদোকখিবদা অনৌবা খোঙথাং অসিনা ইন্দিয়াগী টেলেন্ট লৈরবা আর্চরশিংনা মালেমগী ওইবা কম্পিটিসনশিংদা শরুক য়াবদা অথিংবা লৈররোই হায়খি। মসিনা চহীসিগী নবেম্বর থাদগী হৌগদৌরিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা শরুক য়াবা য়ানবগী পাঙথোক্কদৌরিবা ক্বালিফাইয়িং টুর্নামেন্টশিংদা ইন্দিয়াগী আর্চরশিংনা মখোয়গী শেম শাবদা টেন্সন লৈতনা শরুক য়াবা ঙম্লগনি হায়রি। য়ুনিয়ন মিনিষ্টর মুন্দাবু এ এ আইগী প্রসিদেন্ট ওইনা খনখি।